ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, ওক্টোবর ০৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৯০ শুবা মশীং

# মরুওইবা লম্বীশিং থিংজিনবা

## *মীয়ামদা অৱাবা পীগদবা মওংদা লম্বী থিংবা তোকসি*

**ঙসিদগী** চহী খরখক্কী মমাঙদা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা ত্রাফিক জাম থোকপদৌনা খুদোংচাদবা মায়োক্নবগী থৌদোকসি কা হেন্না লৈরমদে। হৌজিক্তি অয়ুক্কী পুং ৭ তারকপদগী নুমিদাংগী পুং ৭ তারকপা ফাওবদি অয়াম্বা মতমদা লম্বী চিল্লি। নোংমাইজিং নুমিৎ নৎত্রগা ওফিস ছুটি লৈবা নুমিৎশিংদদি লম্বী চিনবগী চাং অসি খরমখৈ হখ্রে। অদুগা অতৈ মতমদদি লম্বী চিনবগী মওং মতৌ অসি মীয়ামদা খুদোংচাদবা হায়বদু য়ৌরক্লে। লুহোং-কৈহোংবা মতমগা ওইরগদি ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা ওইগদবা ফীভম অদু হৌজিক্তগী হৌনা মুন্না খন্নহৌবা মতম য়ৌরে। তঙাইফদ্রগদি লুহোংগদবা নুপা অমসুং নুপী অদুনা তোংলিবা গাড়ীশিং অদুগা লোয়নবা গাড়ী ২/৩ গুম্বা নত্তনা অতৈদি য়ারিবমখৈ ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা চঙহন্দনবা থৌশিল অমা শেম্বা ফাওবা য়ারবনি। ষ্টেট অসিগী ময়োন লম ওইরিবা ইম্ফাল ফাওদুনা চৎলিবা মরুওইবা লম্বীশিং অসি য়াম্নমক পীকপসু ওইদ্রবনি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদদি আসাম নত্তনা অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা মণিপুরনা লম্বী পাকপা হেল্লি হায়না লৌবা ফাওবা য়াই। মসিদগী হেন্না মখা তানা লম্বী পাকথোক্লনবা থৌরাং তৌবগী কান্নবসু লৈররোই। তৌবতদি হৌজিক চিল্লিবা লম্বী অসি কমদৌনা কোমহনগদগে হায়বদুদি ত্রাফিক্কী রেগ্যুলেসন তৌবদা লৈরে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ত্রাফিক্কী রেগ্যুলেসনগী মরমদা খঙ হৈরবশিং চুংশিন্নদুনা করম্বা থৌশিল শেম্লগদি মীয়ামদসু খুদোংচাগনি অমসুং ত্রাফিক পুলিসনা ত্রাফিক্কী রুল চৎনহন্নবা হোৎনবদসু অৱাবা লৈহল্লোইদগে হায়বদু খন্ন-নৈনবা মতম য়ৌরে। নোংমা-নোংমগী মীশিং হেনগৎলকপা অমসুং ইমুং খুদিংগী এঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং লোইখৎনরকপনা লম্বী চিনবা হেল্লকপগী মরুওইবা মরম অমসু ওইরি। অসিগুম্বা অৱাবা অসি কোকহনগে হায়বা তারগদি পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম নিংথিজনা লৈহনবনা ওইগনি। মসি নৎত্রিবমখৈদি নোংমা-নোংমগী লম্বী চিনবা হেনগৎলক্কনি অমসুং লম্বীগী খুদোংথিবা থোকপগী চাংসু ৱাংখৎলক্কনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম লৈহন্নবা পায়খৎলিবা থবকসি খজিক্তংগা হেন্না ৱাখল থাদরগা পাকথোক চাউথোকহন্নবা হোৎনবা চুমগনি।

ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অৱা পোত্থাফম ওইহন্নবা অমসুং মালেমগী লম কোয়বশিংগী ঙাইহাক মিৎয়েং থম্ফম ওইহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ইম্ফালগী কংলা পার্কতা ইম্ফাল ইভনিং (নাইট প্লাজা) হাংদোকখ্রে। হাংদোকপা থৌরমগী মাঙওইননা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী খ্বাইদগী মরু ওইখ্রবা লম্বীগী শরুক অমা ওইরিবা গভর্ণর রোদ মমাঙদগী খুয়াথোংগী পি দব্লিয়ু দি মমাঙ ফাওবা নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬.৩০দগী লম্বী থিংজিনখি। লম্বী থিংলবনিনা হান্না কংলা পার্ককী ফুট পাথতা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং য়োলহনগনি হায়রম্বশিং অদু মমাঙ থংবা লম্বীগী ময়ায় চবুক্তা ফাওবা পোৎ য়োন্নরকখি। অহানবা নুমিৎ ওইবগী লৈঙাক্লসু কা হেন্না মিৎয়েং চঙলমদবদি য়াই। অদুবু হংবা য়াবা ৱাহং অমদি, অহৌবা নুমিৎতা তৌখিবগুম্না লম্বী ময়ায়দা অচা-অথক্কী পোৎলম য়োলহনবা অমসুং লম্বী থিংজিনবগী মওং-মতৌ অসি মথংদসু মখা চত্থখিগদৌরিব্রা হায়বসিনি। লম্বী অসি থিংজিনখিবদগী কৈশাম্পাৎ মায়কৈ অমসুং খুয়াথোং মায়কৈদা অঙকপা ফংলবা ত্রাফিক জাম থোকখি। হান্নদগী হৌনা লম্বী চিনবদগী মিনিট ১৫খক লম্বী থিংলা ফাওবদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিঙৈদা পুং ৩ হেন্না লম্বী থিংখিবা অদুনা সহর অসিগী মনুংদা থোকখিবা ত্রাফিক জামগী মওং-মতৌ অদু মখা শমথবা চুমগনি হায়না লৌদে। ইম্ফাল ইভনিং কংলা পার্ককী ফুট পাথতা তৌজসনু। অচা-অথক চানিংবা, ঙাইহাক্তং পোত্থানিংবা মীওইশিং লাকচসনু, মখোয়গী গাড়ী মফম চানা থাহল্লগা রো অমতা ওইরবসু লম্বী থিংদনা গাড়ী চৎহল্লগদি মীয়ামদা থোকখিবা খুদোংচাদবশিংঅদু মতুংদা কোকহনবা ঙমগনি। লম্বী হায়বসি মীয়াম পূম্নমক্কীনি, ত্রাফিক্কী রেগ্যুলেসন তৌরিবা অসিসু মীয়ামগী য়াইফননবনি। ভি আই পিশিংগী য়েংলগা নৎত্রগা য়াইফননবগী খল্লগা ত্রাফিক্কী রেগ্যুলেসন তৌবা মতমগা চান্নদে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, ইম্ফাল ইভনিং হৌবা নুমিৎতা থোকখিবা ত্রাফিক জাম অদুগী হায়রুরগদি ইম্ফাল ইভনিং পাঙথোক্লিবা মফম অসি অতোপ্পা অমদা হোংদোক্লবা মফম থিবসু কান্নগদ্রা হায়বসিনি। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স চঙদ্রিঙৈগী লম্বীদা নৎত্রগা হাপ্তা কাংজেবুংগী লম্বীদা ওইরগসু ইম্ফাল ইভনিং পাঙথোকপদা মী তিল্লোইদবা লৈতে। কংলাগী ফজবা য়েংহন্ননবা অমসুং কংলা মোটতা হি হোনবগী মহাও পীননবগী ওইরগনা লম্বী থিংদনা ইম্ফাল ইভনিং তৌহনবদা করি অকায়বা লৈবগে? লম্বী থিংলিঙৈগী মরক্তা থোক্লিবা ত্রাফিক জাম মনুংদা অনা-অয়েক য়াওরক্তুনা হোস্পিটালদা পুগে হায়না লাকপা অনাবশিং হোস্পিটাল য়ৌবা ঙমদবগী অচৌবা ৱাথোক অমসু থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অদুনা ইম্ফাল ইভনিং পাঙথোক্লবসু লম্বীদি কৈদৌঙৈদসু থিংবা চুম্লোই হায়জনীংই।

## ••• *এডিটরদা থারকপা চিঠি* •••

### মগুণ লৈবা লমদম অমগীদমক নুপীশিংগী থৌদাং

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মীওইবগী** লৌশিং হায়বসি মতৌ করম্না লাকপগে হায়বা অসিদা থোরক্লিবা পোৎশকসি লাইনীংগী ওইবা লাইরিক কয়া অমদি মগুণ লৈবা অহৈ-অশিং কয়ানা মীওইবগী লৌশিংগীদমক ইদুনা থম্বীরম্বা কয়াবু পাদুনা নৈনবা মদুনা পূক্নিংগী লৌশিং হাপকনি। মদুগুম্বা লাইরিকশিং কমদৌনা নৈনগনি, লাইরিক হৈত্রবা মদু নৈনবা য়ারোই। তিঞ্জং কায়জংদবা নহাশিং অমদি লমচৎ শাজৎ চুম্বা অঙাং কয়া অসি ঙসিগী মহৈ মশীন্দা অমদি লমচৎ শাজৎ ফজবা, অহল লমনবু থকসি খাসি ঙাক্লা চৎহনবা মসিনা লমদম অমবু শান্তি লৈহনগনি। অদুগুম্বা মীওই কয়াশিং অদু মরুওইনা মহৈগী লমদা নাচংদ্রবা, থবক শুবসু মতন তল্লবা, চাদবদি য়াদবা পূম্নমক অসিনা থোকহল্লি। অদুদি হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু মহৈ-মশীনগী লমদা অমদি লমচৎ চুমনবা শুবগী হৈনবী লৈহনবা অসিদা মীপুম খুদিং মহৈ নিংথিনা হৈহনবা তঙাইফদ্দনা চঙই। নহা কয়াবু মহৈ হৈহনবা হায়বসি মরুওইনা লৈঙাক্কী থৌদাং অসুক্কী মতিক চাউনা লৈ। লমদম অসিগী লৈঙাকপশিং হীরম অসিদা মায় কন্না ওনশিনবা য়াম্নমক তঙাইফদবা লৈ। অদুবু ঙসি ঙসিমক ঐখোয়গী লমদম অসিগী লৈঙাকপশিংনা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিং পূম্নমক্কী মরাইবক্তি চহী ৩৭-৩৮সিদা হাৎতোক্তুনা থম্বীরিবনি। হীরম অসিদদি অনৌবা থৌশিল থৌরাং অমফাওবা লৌখৎপীদনা থল্লীবনি। ঙসি মণিপুরগী ওইনা য়েংবদা অফবা মহৈরোয় খরা উরিবা অসিদি লন্নাই স্কুলগী মহৈরোয় কয়ানা লমদম অসিদা অফবা থাক অমদা পুখৎপীরিবনি। মসিদা থমজনীংবা ৱাফমদি লন্নাই স্কুলগী মহৈরোয় ফরগা লৈঙাক্লা পেন্থোকপা ঙল্লিবনি। অদুগা লৈঙাক্কী অশেংবা মরল ওইরিবা স্কুলশিং লৈঙাক অমদি এদেদকী থাক অসুক্কী মতিক নেম্না লৈরিবনি। লন্নাই স্কুলগী মহৈরোয় খুদিং অচৌবা শেনফম চাদিং তৌরিবনি অদুগা লৈবাক অসিগী ইনাক খুনবা লায়রবা থিদনা পৈশা তিংদনা তম্বা য়ারিবা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিংদা অহেনবা থৌশিল কয়া পায়খৎপীদুনা চঙদবা য়াদবা খুদিং অৱাৎপা লৈতনা পীবিদুনা কৃপ্না য়েংশিনবীরবদি মণিপুর মীয়ামগী মরল ওইরিবা অমসুং ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয় কয়াবু অফবা থাক অমদা পুখৎপা ঙমগদবনি। অদু ওইরবদি ইনাক খুনবা-লায়রবা থিদনা মীওই খুদিংগী শেল থুমগী ফীভমসু শোয়দনা ফগৎকনি। মণিপুর রাজ্যগী এদ্যুকেসন পোলিসি অসি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রাজ্যশিংগা য়াম্না খেন্নবগুম লৈরিবনি। মণিপুরদদি মদুগী ওন্না তৈনবদা নমশিন্দুনা থম্বগী চৎনবী অমা থাদোক্তনা থম্বীরি। লন্নাই স্কুলগা লৈঙাক্কী স্কুল অমদি এদেদ স্কুলশিংগা খেন্নবা লৈরিবা অসি ঙসিগী মীয়াম্না ফজনা খঙফম থোকই।

তশেংনা হায়রবদা লন্নাই স্কুল অমদা অঙাং অমদা চঙলিবা পৈশা অসি লৈতবা ইমুংদি লায়রা তাল্লিবনি। মরম অসিনা লন্নাই স্কুল কয়ানা ইনাক খুনবা অফবা খরগীদি অমরোমদা খরা ফখ্রে অদুগা লাইরিক লাইশু খরা শোনবা লৈত-লায়র কয়াগীদি য়াম্না খুদোংথিনবা ওইরিবনি। লন্নাই স্কুলদা মিং চনবা ফংহৌদবা নৎত্রগা মায় পাক্লক্তুবা মহৈরোয় কয়া মখোয় মহৈ তম্বা তোক্লগদ্রা। মখোয় অদু কদাইদা তম্বা তাই, লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিংদা শোয়দনা তম্বা তাই। অমুক্কা কুমজা ১৯৮০দগী ২০১৭ ফাওবসিদা গ্রান্দ পীবা মতমদা ফংখিবা সেঙ্কসন পোষ্ট ২/৩ অদু নৎতনা অহেনবা থৌরাং অমত্তগী মমি তাদবা অসি মালেমগী মনুংদা মণিপুরখক্তা নত্তনা অতৈদা লৈরম্লোই। পূম্নমক অসিদা ঙসিগী লৈঙাক্কী স্কুলশিং অমদি এদেদ স্কুল কয়া ফহনবদা ঙসিগী ইমা-ইবেলগী শক্তম লৌরিবা নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাওই। লৈঙাক্কী নৎত্রগা এদেদকী স্কুল ওইরবসু অকোয়বগী ইমা ইবেলগী মচা-মশু কয়া তমহনবীদুনা, ওজা কাদবা, ক্লাস চাং নাইদবা কয়াসি ইমা ইবেলশিংনা কৃপ্না য়েংশিনবীরবদি স্কুল, অঙাংশিং অমদি শেল থুমগী ফীভমসু ফবা ঙমগনি। অফবা খুন্নাই অমগী আশা চাউনা তৌবদা লমদম অসিগী নুপীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। মীতৈ নুপীগী থৌনা অসি ঙসিদি লৈঙাক্কী স্কুলশিং অমদি এদেদ স্কুলশিংদা অমুক্তং উৎথোক্তুনা মশক থোকহনসি।

*অদোমগী- এম থম্বৌ সিংহ*

### ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ওক্টোবর ২গী লমায় অসিদা য়াওখিবা **'সেকেন্দ ওক্টোবর, গান্ধীজী অমদি শাস্ত্রি নীংশিংলকপদা'** হায়রিবা আর্টিকল অসিগী অনীশুবা পেরগ্রাফতা য়াওখিবা ***কুমজা ১৯৬৯গী ওক্টোবর ২দা ফাদর ওফ দ নেসন হায়রগা খঙনবা মহাত্মা গান্ধী পোকখি,*** হায়খিবা অদু ***কুমজা ১৮৬৯গী ওক্টোবর ২দা ফাদর ওফ দ নেসন হায়রগা খঙনবা মহাত্মা গান্ধী পোকখি*** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। -এদিটর

# লম্বীগী ৱাফম, লৈঙাক্কী ৱাশক

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

**চাওখৎকেরা-চাওখৎলোইরা** লম্বী হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওই। শুক মরু ওইখ্রবা লম্বী অসি মণিপুরদদি সলাক শাই। থায়না মমাঙঙৈ লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা লান থেংনবদা লম্বী হান্না শেম্মগা লান তাবা চৎনৈ। হৌজিকসু লৈবাক অমনা লৈবাক অমগী লম্বী থোং অসিগী মেপ পায়নরি। অদুঙৈ বৃটিশনা লোই চন্দুনা চহী কয়া লৈরম্বা, মদুদগী অমুক অনীশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাওদা বৃটিশ কাঙবুনা মখোয়গী লান্দাদা হেন্না খুমাঙ চাউশিন্নবা, মণিপুরগী লম্বী থোং ফনা নিংথিনা শেমজিল্লমখি। মখোয়না শারম্বা থোং হৌজিক ফাওবা লান্নরি। শুক কুইরবসিদা মখোয়না শারম্বা শেল্লম্বা লম্বী থোং হৌজিক ফাওবা মণিপুরগী লৈঙাক অমদি সেন্তরগী লৈঙাক্লা কা হেন্না নিংথিনা চহী কয়া চৎনবা শেম্বগী থবক্তি খুমাঙ পংচাও চাউশিনবা উদে। রুটিন ওইনা তৌদবা য়াদবা খরা অদুক তৌবা নত্তনা থোইদোকপা অহেনবা উবা ফংদে।

মণিপুর মীয়ামগী শীংলি উতোং ওইরিবা নেসনল হায়ৱে অনী জিরি-ইম্ফাল, দিমাপুর-ইম্ফাল লম্বী অনী অসি পাপকী মশকনি। দিমাপুর-ইম্ফাল লম্বীসিদা খরা খিৎ হেন্না নম্না শীজিন্নে। মহৈ তম্বা চৎপগীবু ওইরো, লল্লোন ইতিক্কী, লায়েংবা চৎপগীবু ওইরো অমদি পোৎ চৈ পুশিল্লকপগীবু ওইরো লম্বী অসিদা অয়াম্বা চৎনৈ। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা করি হায়দৌনো, চীংগী লালহৌবা হায়গদরা, হুরান-চিন্থি তৌবা কাঙবু হায়গদ্রা ময়াম অসিনা অচৎ-অওকশিং অসিদগী মওং কয়াদা ফি-মুনবা, শেল মুনবা, ঈজৎ মুনবা, থৱায় মুনবা কয়া অমা লেপ্তুনা চৎখে। মদুদগী হেন্দোক্তুনা করিগুম্বা অমগীসু বন্দ অসি অসুক্কী মতিক তৌই। ইকনমিক ব্লোকেদ অমুক হায়, টুটেল শটদাউন অমুক হায়, হায়ৱে বন্দ অমুক তৌদুনা থেঞ্জাং কয়ারক্তা মণিপুরবু ওৎলি। মসিগী ময়াম অসি য়েংলুরগা, মসিগী লম্বী অসিদা ঐখোয় চৎলরোই জিরি লম্বীদা ওইনা চৎচরগে হায়দুনা গাড়ীগী কাঙবুনা কন্না হোৎনদুনা মখোয়না অঙম্বা থাক্তা লম্বী শেম্বগী থবক চঙশিনখি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনখ্রবা মতুংদা অসুক য়াম্লবা চহী অসিদা লম্বী অসি শেম্বগী ৱাসি থোইদোক্না পূক্নিং খোইজংদনা থৌ-ৱা শাদনা লাকই। হৌখিবা চহী ২০১৪দা হৌজিক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা ভোট খোম্বা লাকপদা লম্বী অসিগী ৱা নীংথিনা পল্লম্মী। ভোট কাখ্রে, প্রাইম মিনিষ্টর ওইখ্রে, মহাক্কী গভর্ণমেন্ট পায়রকপা নুমিৎ ১০০গী মনুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমমশিং লাউথোকপদা, মণিপুরগী জিরিবাম-ইম্ফাল লম্বী অসি শেম্বা য়াওগনি হায়না য়াওরকখি। মীয়াম পূম্নমক্না কয়াদা শাথিনা নুংঙাইনখিবনো। হৌজিক নুমিৎ ১০০গী তোকখ্রো, নুমিৎ লিশীং অমগা য়াম হেল্লে, করিমত্তা তৌদ্রি। শেম্মী হায়, শেম্মমদে, লোইরে হায়না হায় লোইরমদে, লম্বী ময়ায়দা লৈবা পুখ্রি অচৌবদা ইরাক্নদুনা শিগে তৌবা মী য়াওনরফাওবদা ইনবদা চৎত্তে। সিভিল সোসাইটিগী মীহুৎশিং, মেদিয়াগী মীহুৎশিং, গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টর য়াওবা টিমদগী হেন্দোক্তুনা হায় কোর্টকী মীওইশিং য়াওনা মথং মথং য়াম য়েংনরুরে। লম্বীসি ফগৎলে হায়না কনামত্তা হায়দে। শেম্বগী থবক খুমাঙ চাউশিনদে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, নোংজু পন্থা ওইবগী তৌবনি, থা অমা অনীসিগী মনুংদা য়েংবিয়ু মণিপুরগী লম্বী ফত্তবা অমত্তা লৈররোই, লোইনা শেম্মনি হায়না য়াম্না পোংনা হায়বা পাউচেদা থেংনরে। শোয়দনা শেল্লবদি ফরবনি।

মণিপুরগী লৈরক খুল্লক, খুল ফাওনা চৎনরিবা লম্বীশিং, লৈকায় লৈকায়গী লৈরক, ময়ায় লম্বী, মতাই লম্বী, খোগোপ্পা লম্বী অমত্তা হৌজিক শাথিনা ফীভম ফত্রে। চুম্না থৌরকপা মখোং মরি পানবা লোংনিংঙাই লৈতবা কার লম্বী ময়ায়দা লৈরিবা পোট হোল ময়াম অসিনা মরম ওইরগা গাড়ী লোংনগে তৌবা য়াওরে। এক্সিদেন্টকী চাং শাথিনা হেল্লে। খ্বাং নাবা, চাকখাও নাবা অমদি অতৈ মখল কয়াগী অনাবশিং, চাবোক্নদবা মীরোলবিশিং, ওটোগা তোংদুনা চৎপা য়াবা লম্বী লৈত্রে। লম্বীদা অঙাং নাম্থবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। মসি লৈঙাক্কী অঙম-অথৌ ময়াম লোইনা চৎনরিবনি। মখোয়সু খঙলমগনি, লম্বীসি ফৎত্রেসে হায়বা। শেম্নবগী ৱাখলদি খল্লমগনি, শেম্বগী মমিদি উদ্রি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াম্না চাওবা মিৎয়েং অমা হৌজিক এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়না মণিপুর ফাওরগা য়েংলি। মদু অহানবদা লুক ইষ্ট পোলিসি হায়না হায়রম্বনি হৌজিক্না মমিং ওন্থোরকপনি। মিৎয়েং অসিগী মখাদা ম্যান্মারগা তাইনরিবা মণিপুরগী মোরে অমদি মসিগী ওইবা লম্বী থোংগী ৱা লোয়ননা ম্যান্মারগা অফবা মরী থম্নবা কন্না হোৎনবগী মমি তারি, লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। মমাঙগী য়ু পি এ গভর্ণমেন্টতগী হৌরগা এন দি এ গভর্ণমেন্ট অসিনা হীরম অসোমদা কা হেন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা পোলিসি অসি মায় পাক্নবা হোৎনবগী মমি নীংথিনা তারি। হায়নীংলিবদি হায়রিবা পোলিসি অসি নোর্থ ইষ্টকী ওইবা ৱাফমনি, ম্যান্মার, শিঙ্গাপুর, কোরিয়া, চিনা হায়রিবা কয়াশিং অসি শম্নখিগদৌরিবা লম্বী অসিদদি ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি য়াওদব্রা? লম্বী অসিগী ফীভমদি পোলিসি অসিগী ৱা খন্নরকপদা অমদি পন্নরকপদা য়াওদবদৌনা তৌরি, নোংমতা পন্নবগী ৱা থোইনা তাদে। ম্যান্মারগী শম্নরিবা মতেক অসুৱাইগী ৱা ঙাক্তা ওইনা হায়নরিবা অসিনা করি করম্বা হায়দোক্তবা ৱাফম লৈরিবগে হায়বা অসিসু হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি। ম্যান্মারগী লম্বী-থোং শেমগৎ শাগৎপা, মখোয়গী মৈ-ঈশিংগী ফীভম ফগৎনবা কন্না হোৎনরিবা অসিগুম্না মণিপুরগী লম্বী অসি হেন্না ফগৎনবা থৌরাং তৌবা মথৌ তাই।

থংনবা ষ্টেটতগী মণিপুর ফালদুনা লাক্কদৌরিবা ম্যান্মার অমুক য়ৌখিগদৌরিবা অদুদগী অতৈ কন্ত্রি ময়ামশিং য়ৌখিগদৌরিবা লম্বী অসি শুপ্নতগী অনীনি, অনীমক হায়বদি ইম্ফাল-জিরি, দিমাপুর-জিরি অনী অসিগী লম্বী অসিগী ফীভম অসি নীংথিনা শেয়ংশিনবা মথৌ তারি। মসিগা লোয়ননা অয়াম্বা মণিপুরগী লম্বী খুদিংমক অমত্তা চৎপা য়াবগী ফীভমদা লৈতে। অঙম অথৌ কয়ানা নুংতিগী চৎনরিবা লম্বী , লৈরক খুল্লক কয়াশিং অসি শেমজিন্নবা অথুবা মতমদা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎলকপা মথৌ তারি। চাওখৎপা হায়বা অসিদা লম্বী থোং চিথরম্বা য়ারোই। অৱাংবা দলান, ফজবা কার, বেঙ্ক য়াম্না লৈবনা চাওখৎপা হায়বা য়ারোই। চাওখৎপগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা কয়া অমা লৈ, মদু লোইনমক পনবা মতাং চাদ্রবসু, লম্বী থোং হায়বা অসিমদি খ্বাইদগী মরু ওই হায়বা অসিমদি তশেংনা চুম্নবা ৱাফমনি। লৈঙাক্না মতম মতমগী ওইনা শকখিবা ৱাকশিং মপূং ফানা পাঙথোকথোক্তুনা মীয়াম্বু নুংঙাইহনবা অমদি লমদম অসিবু চাওখৎপগী মায়কৈদা পুরকপদা মতেং ওইসনু।

# য়াই চেনবী য়াইঙং : হীদাক পাম্বীশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মঙম লৈবী-৬

## (অতৈ অতোপ্পা লায়নাশিং লায়েংবা)

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**


**ওষ্টিওসারকোমা** হায়না খঙনবা শরুগী কেন্সরসি য়াম্না তাঙনা থোকপা কেন্সর মখল অমনি। মসি মরুওইনা অঙাং অমসুং মশা ইনখৎলক্লিবা হায়বদি চহী ১৩-১৬ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংদা হেন্না নাই। 'ইনভেষ্টিগেস্নেল ন্যু দ্রগস' (এপ্রিল ২০১১)দা ফোঙখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেসনৱাইদ চিলদ্রেন'স হোস্পিটালগী থিজিল্লোয়শিংনা শরুগী কেন্সর পোকহনবদা মতেং পাংবা STAT3 বু করকুমিন্না থিংদুনা থম্মী হায়বসু খঙবা ঙমখ্রে। মখোয়গী চাংয়েংদুদা খঙবা ঙল্লকখি মদুদি STAT3 থিংবসিনা নোর্মেল ওইবা সেলশিংদদি অকায়বা অমত্তা পীদে হায়বদি হু ওইহন্দে অমদি অমাং অতা থোকহন্দে।

মাইওলোমা হায়বসি এন্টিবোদিশিংবু পুথোক্লিবা প্লাজমা সেল হায়না খঙনবা হ্বাইট ব্লদ সেলদগী হৌরকপা কেন্সর মখল অমনি। অহানবা হৌরকপদদি মসিগী লায়ওংসি ইরায় লায়না খঙবা ঙমদে অদুবু কুইশিল্লক্লবা মতমদদি শরুদা চিকপা নাবা, মহিকশিংনা তোয়না ইনফেক্ট তৌবা অমসুং ঈ ৱাৎপগী খুদমশিং থেংনরকই। অসিগুম্বা মখলগী কেন্সরসি ওনিংবা ফহন্নবা হীদাক 'থালিদোমাইদ' হায়বসিগা য়াইঙংগা পুল্লগা শেম্বা হাইব্রিদ মোলিক্যুলশিংনা ফহনবা ঙম্মী হায়না ভর্জিনিয়া কম্মনৱেলথ য়ুনিভর্সিটি মাসি কেন্সর সেন্তরগী থিজিল্লোয়শিংনা খঙবা ঙমখ্রে (ওর্গানিক এন্দ বাইওমোলিক্যুলর কেমিষ্ট্রি, ওগষ্ট ২০১৩)। থিজিল্লোয়শিংনা য়াইঙং অমসুং থালিদোমাইদকী হাইব্রিদ মোলিক্যুল ১৫দগী হেন্না শুংবা ঙমখি। মখোয়গী মনুংদা মোলিক্যুল ৫ অমসুং ৭না কেন্সর সেলশিংবু হাৎপদা হেন্না কান্নবসু থেংনবা ঙমখি। অসিগুম্বা হাইব্রিদ কম্পাউন্দশিংসিনা লায়েংবগী কান্নবশিংগী মনুংদা হেন্না মায় পাকপা কেন্সর ঙাকথোকপা, দ্রগ রেসিষ্টেন্স ওইরকপগী চাং হন্থহনবা, অনাবদা হীদাক মখল মখল থাদুনা শেল হেন্না চংবদগী কনবা ঙম্বা পনবা য়াই।

তেন্দোন হায়বসি শরুগা তোংশা (মসল) গা শম্নহল্লিবা টিস্যুশিংনি। মসিদা চীকপা-নাবা, পোমখৎপা, শাগৎপনচিংবা থোরকপবু টেন্দিনাইটিস নৎত্রগা টেন্দোনাইটিস হায়না খঙনৈ। হায়রিবা অনাবসি শান্ন-খোৎনবা তৌবা, অহল ওইরক্লবা অমসুং অর্থ্রাইটিসনচিংবা নাবা মীশিংদা য়াম্না থোক্কল্লি। লায়নাসিগী লায়েংদি চীকপা-নাবা, পোমখৎপা, শাগৎপা ফননবা হীদাক পীজবনি। মরুওইনা এস্পিরিন, ইবুপ্রোফেনগুম্বা নোন-ষ্টেরোইদেল এন্টি-ইনফ্লেমেটরি দ্রগস (NSAIDS) অমদি ষ্টেরোইদ কাপ্পসিগী সাইদ ইফেক্ট ওইনা অলসর, ওনিংবা ফাওবা, পুক শৌগৎপা, কোক চীকপা, খোঙ হাম্বা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, তুমনিংবা পোকপনচিংবা থোকপা য়াই। অদুনা সাইদ ইফেক্ট হন্থবা হীদাকশিং পুথোকপগী মথৌ তারকই। অদুনা জর্মনিগী য়ুনিভর্সিটি ওফ নোটিংহাম অমসুং লুদৱিগ মেক্সিমিলিয়ন্স য়ুনিভর্সিটিগী থিজিল্লোয়শিংনা টেন্দিনাইটিস লায়েংবদা য়াইঙংদা য়াওবা করকুমিন্না য়াম্না কান্নবা পী হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে (জর্নেল ওফ বাইওলোজিকেল কেমিষ্ট্রি, ওগষ্ট ২০১১)।

য়াইঙংসি মৈনা পোকপদসু মমাঙঙৈগী মতমদগী শীজিন্নরক্লি হায়বসি অরিবা লাইরিকশিংদগী ফংবা রেকোর্দশিংদগী খঙবা ঙম্মী। মসিগী মতাংদা করি করম্বা অচুম্বা লৈবগে হায়বসি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা থিজিনবগী পাউদম য়াম্না লৈ। মখোয়গী মনুংদা 'বাইওদিস্কভরি' (মার্চ ২০১৭) দা ফোঙখিবা পাউদমসি লৌখৎপা য়াই। করকুমিন হায়রিবা য়াইঙংবু য়াই চেলহল্লিবা অমসুং সনা মচু শংলিবসি খাদা হুক্লগা চাবা মতমদা চাকখাউ অমদি থিবোং-মরিলনা চূপশিনবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। অদুনা থিজিল্লোয়শিংনা করকুমিনগা ঈশিংগা য়ান্নদুনা নং-নং লাওবা মহী অমা শেল্লগা মৈনা পোকপা, ঈশিং মনিলনা পোকপা অনাবশিংদা তৈবা নৎত্রগা থোম্বা মতমদা হেন্না কান্নবা ফংই হায়রি। থিজিনবসি দেভিদ গেফেন স্কুল ওফ মেদিসিন্না পাঙথোকখিবনি। চাংয়েংসি লেবতা পাঙথোকপদা নত্তনা মীদসু পাঙথোক্তুনা য়েংলবনি, অদুবু য়াম্না নুংঙাইরিবদি মসি চহী ২৫ চূপ্না পাঙথোক্লক্লবা চাংয়েংনি।

ওহাইয়ো ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী থিজিল্লোয়শিংনা থিজিনখিবগী মতুং ইন্না (প্লোস ৱান, নবেম্বর ৪, ২০১৪) য়াইঙংনা লম কয়াদা হকচাংদা কান্নবা পীবগী খুদম চাংদম ফংখ্রে। মখোয়গী চাংয়েংদা করকুমিনবু কেষ্টর ওইল অমসুং পোলিইথাইলিন গ্লিকোনগা য়ানশিন্নদুনা নানো-ইমলসন হায়বসি শেম্মী। মসিনা থিবোং মরিলনা করকুমিনবু মপূং ফানা চূপশিনবা ঙম্মী। উচিদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা হীদাকসি পীজবা মতমদা চীকপা-নাবা, পোমখৎপগী চাং য়াম্না হন্থবা থেংনরম্মী। মখোয়না চাংয়েংসি পাঙথোক্লবগীদমক উচিশিংদা বেক্টেরিয়াগী সেল ৱালদগী শুংদোকপা ইম্যুন রিএক্সন থোকহনবদা মতেং পাঙবা লিপোপোলিসক্করাইদ কাপশিল্লম্মী।



thalidomide

অসুম্না উচিশিংদুদা চিকপা-নাবা, পোমখৎপনচিংবসি খূৎশেমগী পাম্বৈনা থোকহল্লম্মী। মসিগী মতুংদা উচিশিংদু কাঙলুপ অনী খায়দোক্লগা, কাঙলুপ অমদনা নানো-ইমলসনগী করকুমিন অদুগা অতোপ্পদুদনা করকুমিনখক্তা ওইনা শীজিন্নরম্মী। করকুমিনখক্তা পীজবা উচিশিংদা থিজিল্লোয়শিংনা বাইওলুমিনিসেন্সকী মতেংনা করকুমিন্না তৌরিবা মথৌদু উননবগীদমক অখন্নবা খূৎলায় অমগী শীজিন্নখি।




অসুম্না থিজিনবসিদা করকুমিনখক্তং পীজবা উচিশিংদদি ন্যুক্লিয়র ফেক্টর-কাপ্পা বিতা (NF-kB) না ইম্যুন সিষ্টেমবু মথৌ ফজনা তৌহনবা থেংনখি। অদুবু নানো-ইমলসনগী করকুমিন পীজখিবা উচিশিংদদি ফেক্টরসিগী মথৌ শরুক ২২ রোম হন্থরকপা থেংনরম্মী। অসিগুম্বা মওংদা করকুমিন পীজবসিনা উচিদুগী হকচাং শিনবা থুংনা NF-kB গী মথৌসি থিংবা ঙল্লম্মী। অদুগা মখা তানা থিজিল্লোয়শিংনা চিকপা-নাবা, পোমখৎপগী মতাংদসু করি ইফেক্ট থোরকপগে হায়বদু য়েংখি। মতমসিদা নানো-ইমলসনগী করকুমিন্না চিকপা-নাবা, পোমখৎপনচিংবা থোকহল্লিবা কেমিকেলশিংগী মথৌবুসু থিংদুনা থল্লম্মী। হায়বদি 'মেক্রোফেজ' হায়না খঙনবা ইম্যুন সেলশিংবু মথৌ তৌহনবসি লেপহল্লি। মসিগী ইফেক্টসি হান্না মমাঙদা খঙখিবা লৈত্রি হায়না ওহাইয়ো ষ্টেটকী রিউমাতোলোজি অমসুং ইম্যুনোলোজিগী পোষ্টদোক থিজিল্লোয় নিকোলাস য়ংনা ফোঙদোক্লি। অদুনা চিকপা-নাবা অমসুং পোমখৎপগী মতাংদদি নানো-ইমলসনগী করকুমিন্না হেন্না কান্নবা পী হায়বসি খঙবা ঙল্লে। ওভরেক্টিভ ওইবা মেক্রোফেজশিংনা থোকহনবা চিকপা-নাবা, পোমখৎপনচিংবসিগা থম্মোয়গী অনাবশিং, কা হেন্না নোয়হনবগা মরী লৈনবা দিসওর্দরশিং, ক্রোহন'স দিজিজ, রিউমাটোইদ অরথ্রাইটিস, দাইবেটিসনচিংবা অনাবশিংগসু মরী লৈনৈ। অদুনা নানো-ইমলসনগী করকুমিন পীজবসিনা অনৌবা অমসুং হেন্না ফবা লায়েং-পথাপ ওইরকপা য়ারি।

